HUEIYEN LANPAO
Refreshingly Reliable
# হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses


কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা ওল মণিপুর ৱর্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)না ককচীং অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী পাউমীশিংদা হেন্দ সেনিটাইজর অমদি মাস্ক তেংবাংখিবা




মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পাৱরমেন্টকী শেন্থং মখাদা পীবা তেংবাংগী শেনফমশিং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী খনগৎলবা ট্রান্সজেন্দর ৩৫দা দি সী নীতা অরাম্বমনা খুৎশিন্নখিবা




দিমাপুর ইম্ফাল লম্বীদা আলু পুরগা লাকখিবা টাটা ট্রক অমদা নারোন্দা হাপ্পুনা পুরকপা ক্কা মনা পোলাং ৩৪ কাদা অমসুং এমসুগী অপূনবা টিমনা ফাগৎখিবা




লোকদাউন থুগায়দুনা লম্বীদা গাড়ী থৌরগা লাকখিবা মীওই কয়া থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদা পুলিসনা দিটেন তৌদুনা থমখিবা





Vol. 44, Issue No.055 | য়ুমশকৈশা, কালেনগী ২৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, Wednesday, May 20, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## কোরোনাভাইরস : দিল্লিদগী হল্লকখিবী মমা-মচা পোজিটিভ ওইবদগী মণিপুরগী কেস মশীং ৯ শুখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):

লোকদাউননা মরম ওইরগা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পন্দুনা লৈরম্বশিং মণিপুর লৈঙাক্না পুশিল্লকপা হৌখিবদগী স্পেসল ট্রেন, বস অমদি প্রাইভেট ভেহিকলদা হল্লকখিবা মীওইশিংগী মরক্তা য়াওরকখিবা মীওই ৫ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবা মতুংদা দিল্লিদগী হল্লকখিবী মমা-মচা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবদগী মণিপুরদা অপূনবা কেস মশীং ৯ শুখ্রে।



কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ফুংয়ারদগী মমা-মচা অসি ঙসি রিমসকী ভি আর দি এলদা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি। মমা-মচা অনীমক নুপী ঙাক্তনি। মশাগী চহী ৬৪ রোম শুরবী মমা অসিগী মীৎ লায়েংনবগীদমক হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদা চহী ২৩ রোম শুরবী মচানুপী অসিগা লোয়ননা দিল্লিদা চৎখিবনি। অদুগা কোটলা মুবারকপুরদা অশানবা কা অমা ৱাইদুনা লৈরকখিবনি। মফম অদুদা পন্দুনা লৈরক্লবা মতুং হৌখিবা মে ১৪দা দিল্লিগী সবদর্জংদগী অতোপ্পা মীওই ২০ অমগা লোয়ননা বসতা থোরক্লগা মে ১৬তা ইম্ফাল য়ৌরকখিবনি। ইম্ফাল য়ৌরক্লবা মতুংদা মমা-মচা অসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা আই আই আই টি গভর্ণমেন্ট ক্বারন্টিন সেন্টরদা থমদুনা মে ১৭তা কোরোনাভাইরস টেষ্ট তৌনবগীদমক সেম্পল লৌখিবনি। সেম্পল অদু টেষ্ট তৌবগী রিজল্ট ঙসি ফংবদা পোজিটিভ ওইরকখিবনি। কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরবা মমা-মচা অসি রিমসকী কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিদা এদমিট তৌদুনা লায়েংবা হৌখ্রে। অদুম্মকপু লায়েংবা হৌখ্রবা মমা-মচা অসি লায়না অসিগী লায়ওং অমত্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা উথোরকপা লৈতে হায়রি।

মণিপুরগী অপূনবা কেস ৯ অসিগী মনুংদা মীওই অনী অমদি লায়না অসি নারম্বদগী ফখ্রে। অদুগা হৌজিক-হৌজিক মীওই ৭না লায়না অসি নাবদগী জেনিমস অমসুং রিমসতা লায়েংলি। মণিপুর কোরোনাভাইরস ফ্রী ষ্টেট মতম খরা ওইরুরবা মতুং মে ১৪দা অহুমশুবা কেস ওইনা মুম্বাইদগী হল্লকখিবা মীওই অমা পোজিটিভ ওইদুনা মণিপুরগী অহুমশুবা কেস ওইনা থেংনখিবনি। মরিশুবা কেস ওইনা মে ১৫দা কোলকটাদগী হল্লকখিবী নুপীমচা অমা পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি। অদুগা মে ১৬তনা মুম্বাইদগী হল্লকখিবা মমা-মচা অমগা চেন্নাইদগী হল্লকখিবী নুপীমচা অমগা পুন্না মীওই অহুম পোজিটিভ ওইবা থেংনবদগী মণিপুরগী কেস মশীং ৭ শুহনখিবনি।

কোরোনাভাইরস ফ্রী ষ্টেট ওইরুরবা মতুংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা নৌনা থেংনখিবা কেসশিং অসি মপান্দগী হল্লকপা মীওইশিং ঙাক্তা ওইরি।

## এসিয়াদা কোভিদ-১৯ খ্বাইদগী খোঙজেল য়াঙনা শন্দোরকপা লৈবাক ইন্দিয়ানা ওইরে

### ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরসকী কেস মশীং ১,০৫,৪৭৩ য়ৌখ্রে; শিখিবনা ৩,২৯৮ শুরে

ন্যু দিল্লি, মে ১৯ (এজেন্সি):

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী অপুনবা কেস মশিং লাখ ১ হেনখিবগা লোয়ননা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি খোঙজেল য়াঙনা শন্দোরক্লি। এসিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী খোঙজেল য়াঙনা কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা লৈবাক ইন্দিয়ানা ওইরে হায়না পব্লিক হেল্থ ফাওন্দেসন ওফ ইন্দিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

ফাওন্দেসন অসিগী এদিসনেল প্রোফেসর রাজমোহন পন্দানা এজেন্সিদা হায়খি মদুদি, অপুনবা মীওই বিলিয়ন ১.৩ রোম লৈবা ইন্দিয়াদা য়াম্না অতেনবা মতমগী মনুংদা কোভিদ-১৯গী অপুনবা কেস মশিং ১,০৫,৪৭৩ য়ৌরে। খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মীশিং ৩,২৯৮ শুরে। নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ৩৯,১৭৩ নি। মালেমগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯গী অপুনবা কেস মশিং ৪৯,৪৬,১৭১ য়ৌরে। শিখিবা মশিং ৩,২২,৫৮৭ শুরে। নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ১৯,৩৬,৬৫৮ নি।

জোন্স হোপকিন্স য়ুনিভর্সিটি অমসুং ব্লুম্বর্গকী দেতা নৈনরবা মতুংদা পব্লিক হেল্থ ফাওন্দেসন ওফ ইন্দিয়াগী রিপোর্ট অমনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্না শেম্মিৎলোনগী ফিভম ফগৎহন্নবগী পান্দমদা অকক্লবা হীরম খরদা লোকদাউনগী কাঙলোন কোমথোকখিবনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং কা হেন্না ৱাংখৎলকখিবনি।

লোকদাউনগী অথিংবা কোমথোক্তুনা ইন্দষ্ট্রিজ, দুকান, ওফিস অমসুং পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টমদা থম্লম্বা অথিংবা খরমখৈ কোমথোকখিবা অমসুং তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা মাইগ্রেন্ট ৱর্কর অমদি মহৈরোয়শিং মশা-মশাগী পোক্লফম লমদমদা হলহনবগী থৌরাং লৌখৎখিবনা মরম ওইরগা কোরোনাভাইরসকী কেস মশিং কা হেন্না ৱাংখৎলকপনি হায়রি।

চৈরকসিদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস (এম ঐচ এ)না ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোটোকোল (এস ও পি) অমা থোকখিবগা লোয়ননা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিং মশা-মশাগী ষ্টেটতা পুশিন্নবগী মতাংদা ট্রেন মশিং য়াম্না চেন্নবা খঙহনখ্রে।

## চেক্কোন অমদা পৈদুনা থম্লম্বা ক্কা মনাশিং মীয়াম্না ফাগৎখ্রে, পুলিসনা মীওই ৫ ফারে



ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):

মিপাইনিংঙাই ওইরবা কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা থিংননবা মতম শাংনা লোকদাউন চখ্থরকপনা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং ফংনদবগী অৱাবা মায়োক্লরিঙৈ চৈরক অসিদা চেক্কোন অমদা পৈদুনা থম্লম্বা মপান্দগী পুশিল্লকপা য়াম্লবা ক্কা মনা (মিঠা মনা)শিং মীয়াম্না ফাগৎখ্রে।

খোংজোম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা পপাল মমাং লৈকাইদা লৈবা কে জে এস হায়না মিংথোনবা চেক্কোন (ব্রিক ফিল্ড) অমদা ক্কা মনা পোলাং ১৫০ রোম লোৎলগা থম্লম্বদগী মীয়াম্না ফাগৎখিবনি। ক্কা মনাশিং অদু পুশিল্লকখিবা গাড়ী দ্রাইভর য়াওনা নন-মণিপুরী মঙাসু মফম অদুদা লৈরমখি হায়রি। ক্কা মনা পৈদুনা থম্লল্লিবা চেক্কোন অদু চরাংপাৎ মমাং লৈকাইদগী কাঙবম জাদু এলিয়স জাদুমনি (৫০) অপোকপা কে দিজমনি কৌবা মীওই অমগীনি। মখা লামায় ৩ কলম ৬

## হাইদরবাদতগী স্পেসল ট্রেন তোংদুনা হল্লকখিবা মীওই ৫০০ হেন্না থুংলদুনা মাগী-মাগী দিষ্ট্রিক্টতা হন্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):

লোকদাউনননা মরম ওইরগা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরীশিং ট্রেনদা হল্লকহন্ননবা লৈঙাক্না পায়খৎপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা হাইদরবাদতগী হল্লকখিবা মীওই ৫০০ হেন্না ঙসি জিরিবামদা থুংলবা মতুং মাগী-মাগী দিষ্ট্রিক্টতা হন্নখ্রে।



থা অসিগী ১৬তগী স্পেসল ট্রেন অমদা হাইদরবাদতগী হল্লকখিবা মীওইশিং অদু ঙসি অয়ূক পুং ৯.৪৫ রোম তারকপদা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা থুংলখি। ট্রেন অদু হেক থুংলবগা দিষ্ট্রিক্ট-দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মীওইশিং কুমথহল্লগা থর্মেল স্ক্রিনিং তৌরবা মতুংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং পীদুনা মশা-মশাগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা বস তোংদুনা হলহনখিবনি। হাইদরবাদতগী হল্লকখিবা মীওই খূদিংমক মাগী-মাগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা হাংবা ইন্সটিট্যুসনেল নৎত্রগা কম্ম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা থমগনি।

উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মীওই ১৬ বস অমদা, ফেরজোল অমদি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মীওই ৫৮না বস অহুমদা, তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মীওই ৭২না বস অহুমদা, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মীওই ২২না বস অমদা, ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মীওই ২১না বস অমদা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মীওই ৩২না বস অমদা, চান্দেল অমসুং তেংনৌপলগী মীওই ৩৯না বস অনীদা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মীওই ২৯না বস অমদা, সেনাপটিগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৮

## মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসননা হীয়ারিং চখ্থবা হৌরে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):

ওদিও/ভিদিও কনফরেন্সকী খুথাংদা মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসন (এম আই সী)না অপিল অমসুং কমপ্লেন্ট কেসশিং হীয়রিং চখ্থবা হৌখ্রে।

এম আই সীগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি জি শান্তিকুমার কবুইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কম্মিসন্না ঙসি ৱাটচএপ ভিদিওগী খুত্তাংদা সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকা মরী লৈনবা অপিল কেস অনী হীয়ারিং চখ্থি।

কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ শন্দোরকপা তারবসু কম্মিসন্না মণিপুরগী মীয়ামদা রাইট টু ইনফোর্মেসনগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা হোৎনরি।

কম্মিসন্না লৌখৎলিবা থৌরাং অসিগী মতাংদা আর টি আই এক্তিভিষ্ট অমদি এস পি আই ওশিংনা মোৎ পীরকপা য়াগনি হায়রি।

## পুলিসনা দ্রাইব লেপ্তুনা চখ্থরি

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্ননবা চখ্থরিবা লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু থুগায়বশিং মীয়াম তিনবা মফমদা ফেস মাস্ক উপ্তবশিং অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওইশিং দিটেন তৌননবা পুলিসকী দ্রাইব লেপ্তুনা চখ্থরি।

মণিপুর পুলিসকী এ দি জি পি (এল ও) এল কাইলুননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর পুলিসনা ঙসি তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চখ্থখিবা দ্রাইবতা লোকদাউন থুগায়বা মীওই ৫২১ গাড়ী ৪৩৬কা কোন্ননা দিটেন তৌখি। লোয়ননা দিটেন তৌরবা মীওইশিং অসি মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংদা লুপা ৬৫,৬০০ ফাইন ওইনা থীহনখি। লোকদাউন থুগায়রকপা মীওইশিংগী মথক্তা নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট, ২০০৫গী মতুংইন্না অকনবা এক্সন লৌখৎকনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৫.৯৫ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৭.১৪ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.৪২ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.২৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৩

### HL Poll

Q: Centre gi economic package da meeoi kanglup khudingmakki awaba kokhannabagi wafam yaodre hainaraklibasi chummi haina khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: India da Lockdown 4.0 gi kanglonsingna COVID-19 gi laichat mapung fana lakshinba ngamlagani haina khanbra?

Yes 08% No 92%

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### অস! লোইরেহে!

- নখোয়না য়ু মুখৎকনি হায়রগা করিগী য়ু থক্লিবা ?



- য়ু মুৎখিনবা থক্লিনে, ইনে...!

## কোলকাতাদা থবক তৌরিবা মণিপুরী নর্সশিংনা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরি : এম আই কে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):

কোলকাতাগী তোঙান-তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা থবক তৌরিবা মণিপুরী নর্সশিংনা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরি হায়না মণিপুরীজ ইন কোলকাতা (এম আই কে)না ফোঙদোরক্লি।

এম আই কেগী প্রসিদেন্ট, গ্রুপ কেপ্টেন (রিটায়র্দ) ক্ষেত্রিময়ুম শ্যামকেসোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোলকাতাগী তোঙান-তোঙানবা হোস্পিটাল অমদি হেল্থ সর্ভিস প্রোভাইদরশিংদা মণিপুরী নর্স ১২০০ রোম থবক তৌরি। হন্দক্তা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপদা মণিপুরী নর্সশিং থবক তোথোক্লগা কোলকাতাদগী ময়ুমদা হনবা হৌরে হায়বা রিপোর্ট কয়া ফোঙনরকপা থেংনখি। অরানবদা য়ুম্ফম ওইবা রিপোর্ট অসিনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্লিবা মণিপুরী নর্সশিংগী মীংচৎ থিহল্লে।

নর্স কয়ানা হন্দক্তা কোলকাতা থাদোক্তুনা চৎপগী মরম পীরদুনা চেরোল অসিনা হায়, মতম শাংনা হোস্পিটালদা মথৌ তৌরুরগা হল্লকপী নর্সশিংদা তাথি-তাওইনা তৌবিবা, মতম চানা তোলোপ পীবিদবা, চীঞ্জাক্কী অৱাৎপা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## জুদিসল কোর্টশিংগী স্পেসিফিক এক্টিভিটিশিং লোকদাউনগী অথিংবদগী কোমথোক্লে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):

ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরনা প্রিসাইদ তৌদুনা ষ্টেটকী এপেক্স কোর্ট অসি য়াওনা মসিগী সবোর্দিনেট কোর্টশিংগী ফঙ্কসন্নিংগী মতাং য়াওনা খন্নবগী পাঙথোকখিবা অপূনবা মীফমদা চীফ সেক্রেটরি অমসুং দি জি পি শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মীফম অসিগী মতুংদা ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজ-মেন্ট ওথোরিটিগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী চেয়রপর্সনসু ওইরিবা চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশ বাবুনা থোকখিবা ওর্দর অমদা হৌজিক চখ্থরক্লিবা লোকদাউনগী থম্লক্লিবা অথিংবশিংদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা কোমথোকফম থোকই হায়বা ৱাফমদগী জুদিসল কোর্টশিংগী স্পেসিফিক এক্টিভিটিজশিংগীদি কোমথোক্লে হায়বগী ওর্দর অমা থোকখ্রে।

মীফম অদুদা কোর্ট অসিগী জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিন, জষ্টিস অহন্থেম বিমোল, এদভোকেট জেনরেল নাওরেম কুমারজিৎ, হায় কোর্টকী রেজিষ্ট্রার জেনরেল এ গুনেশ্বর অমসুং হায় কোর্ট বার এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা সিনিয়র এদভোকেট নামোইজম ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

## অন-ওথোরাইজ ভিজিট তৌহন্দনবা এম ঐচ আর সীদা ৱাকংখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):

হৌজিক কোভিদ-১৯ শন্দোরকপগী মতম অসিদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা প্রাইভেট রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংদা অন-ওথোরাইজ ভিজিট-শিংদা অথিংবা পীহনবীনবা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী)দা কমপ্লেন্ট পিটিসন অনী ফাইল তৌরকপদগী কম্মিসননা কেস অমা লৌখৎলগা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি)দা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলগা মসিগী রিপোর্ট অমা থা অসিগী ২৭ ফাওবগী মনুংদা পীরক্লবা খঙহনখ্রে।

মখা লামায় ৩ কলম ৩

## চানবা পোৎলমদা থম্বা অথিংবা লৌথোক্লবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):

ফ্রোজন অমদি চিল্ড ফুদ আইটেমশিংনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোকপা লৈতে হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টরসু ওইরিবা এদিসনেল ফুদ সেফটি কম্মিস্নর ডা. কে ঐচ রাজোনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিস মেমোরেন্দম অমদা এদিসনেল ফুদ সেফটি কম্মিস্নরনা হায়খি, চীঞ্জাক্তগী কোরোনাভাইরস শন্দোক্তে হায়না মে ৫ দা ফুদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দর্দ ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এফ এস এস এ আই)না অইবা চেরোল অমা থারক্তুনা খঙহল্লক্লে। মরম অদুনা করিগুম্বা ষ্টেট অসিগী দিপার্টমেন্ট নৎত্রগা লোকেল এজেন্সিনা ফ্রোজন, চিল্ড ফুদ আইটেমশিং য়োনবা অমসুং পুথোক-পুশিন তৌবদা অথিংবা থম্লম্বা তারবদি খুদক্তা হন্দোকপা মথৌ তাই।

## মপান্দগী হল্লকপা খূদিংমক টেষ্ট তৌননবা থৌরাং লৌখৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা মপান্দগী হল্লকপা মীওই খূদিংমক টেষ্ট তৌননবা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা থৌরাং লৌখৎখ্রে। মপান্দগী হল্লক্লবা মীওই খূদিংমক কভর তৌননবা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী চাংসু হেনগৎহন্ননবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে।



হৌজিকমক্কী ওইনা মপান্দা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিং মাও গেট অমদি জিরিবাম গেটতা মেদিকেল টিমশিংনা স্ক্রিনিং তৌরবা মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট স্ক্রিনিং সেন্টরশিংদা অমুক নীংথিনা স্ক্রিনিং তৌরগা ক্বারন্টিন সেন্টরদা থম্লি।

টেষ্ট তৌবগী চাং হেনগৎহন্নবগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র) ভি ভুমলুনমাংনা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমনা হায়, মপান্দগী হল্লকপা মীপূম খূদিংমক কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌনবা থবক থৌরম কয়া লৌখৎলে। তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা হীরম অসিগা মরী লৈননা সেম্পল কলেক্সন টিম কয়াসু শেম্লে। মরী লৈনবা দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংনা মশাগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চীফ মেদিকেল ওফিসরশিংগা খূৎশম্নরগা সেম্পল কলেক্সনগী থবক থৌরমশিং নীংথিনা য়েংশিল্লগনি।

মপান্দগী হল্লকপা মীওই খূদিংমক্কী সেম্পল লৌরগা টেষ্ট তৌরগনি। নেগেটিভ ওইবা মীওইশিং দিসচার্জ তৌরগা হোম ক্বারন্টিন তৌগনি। অদুবু লায়ওং উথোরকপা নৎত্রগা কা হেন্না রিস্ক ৱাংবা মীওই থেংনরবদি মরী লৈনবা সী এম ওনা খুদক্তা তোখায়না থম্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি। থবক থৌরমশিং অসি লৌখৎপদা হেন্না খুদোংচানবগীদমক হেল্থ দিপার্ট-মেন্টকী দেপ্যুটি দিরেক্টর ডা. মিনা সেরামনা নোদল ওফিসর ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট, চুড়াচান্দপুর, ফেরজোল, সেনাপটি, কাংপোকপী, বিষ্ণুপুর, ...মখা লামায় ৩ কলম ৬


### হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**সৌবাম বীরধজা, উরিপোক নাওরেমথোং**

লৈঙাক্না মণিপুরগী মপান্দা মহৈ তমদুনা, অনা লায়েংবগী থবক তৌদুনা অমদি তোঙান-তোঙানবা হীরমশিংদা থবক তৌদুনা লৈরিবা মণিপুরীশিংবু লৌথোক্লবা হোৎনবিরকপগীদমক গার্জিয়ান অমা ওইনা ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি। মপান্দগী পুশিল্লক্লিবশিং অসি নহা ওইরিবা মহৈরোয়না অয়াম্বা ওইবনিনা ট্রেনদা থোক্লকপা মতমদা অঙকপ ফংনা লাংদুনা, ঈশৈ শক্তুনা, জগোই শাদুনা থোরকপা উবদা অদুক্কী মতিক নুংঙাইজদবা অমদি পেন্দবা ফাওই। মরম অদুনা য়ারগদি মখোয়না থোক্লকপা মতমদা নুপীমচাশিংগী অমদি নুপামচাশিংগী তোঙান-তোঙানবা কম্পার্টমেন্ট খায়দোকপিয়ু। লোয়ননা মপান মদা অনা লায়েংবা চৎলুবশিং অমদি ফেমিলিশিং তোঙানবা কম্পার্টমেন্ট অমদা তোংনবা শীনবিয়ু। মরম অদুনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা থোক্লকপা মতমদা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগা ৱারী শান্নবিদুনা কম্পার্টমেন্ট তোঙান-তোঙানবদা তোংহন্নবা শীনবিরবদি অপেনবা হায়বদু ওইগনি। লোয়ননা লায়না অসি শন্দোরকপদগীসু ঙাকথোকপা ঙমগদ্রা হায়না খনজৈ। মণিপুরদা হল্লক্লগে হায়দুনা রেজিষ্টার তৌখ্রবশিং লৈঙাক্না য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা ময়ুমদা হল্লকপা ঙম্নবা শীনবিয়ু। মপান্দা কুইনা অসুম লৈশিল্লক্লগদি থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া অমা থোক্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে।



**নিংথৌজম কুঞ্জেশ্বর, তেরাখোংশাংবী অৱাং লৈকায়**

মপান্দা পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরীশিং লৈঙাক্না পুশিনবিরক্তুনা মফম চাবা ক্বরন্টিন সেন্টরশিংদা থম্বিরিবা অসি য়াম্না ফবা খোঙথাং অমনি। অদুবু মতাং অসিদা হায়জনিংবদি ক্বরন্টিন সেন্টরশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা তুম্নবা, চানবা, থক্লবা ঈশিং অমদি লেট্রিন নাতৈচদনা লৈবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। লৈঙাক্না ক্বরন্টিন সেন্টরশিং অসি হকথেংননা য়েংশিনবদা খুদোংচাদ্রবদি অকোয়বদা লৈরিবা সিভিল সোসাইটি অমদি সোসল ৱার্করশিংদা শিন্নথোকপীদুনা থবক তৌহনবা য়াই। পুকচেল চাউরবা কয়ানসু নোংমগী চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং শোয়দনা মতেং পাংনরক্কনি। মদুনা লৈঙাক্কী কোকথক্তা পুরিবা অরুম্বা পোৎলুম খরমখৈসু হন্থবা ঙমগনি খল্লি। এম এল এশিংনসু মাগী-মাগী এ সীদা লৈরিবা ক্বরন্টিন সেন্টরশিংবু হকথেংননা য়েংশিনহন্নিংই। মীয়াম্না খম থেংনা ৱারবা লৈবাক্কী লুরবা তানফম অসিদদি চিং অমসুং তমদা লৈরিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা পোলিটিক্স তৌবিদনা মতেং পাংনবা হোৎনবিয়ু। অঙন্বা মতেং পাংখিবদা কান্নবা লৌবগী ৱাখল থাদোক্লগা মতেং পাংবগী নুঙাইবা মহাও লৌমিন্নসি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৱাটসএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫দা নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com, hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।